ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯴, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯱꯱ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, এপ্রিল ০৪, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ০১১শুবা মশীং

# কোভিদ-১৯গী কেস মশীং হেনগৎলকপা

## অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়নননা হোৎনমিন্নবা মতম ওইরে

ন্যু দিল্লিগী নিজামুদিন্দা পাঙথোকপা লাইনীং-লাইশোনগী থৌরমদা শরুক য়ারুবা মীওই অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনবদগী মণিপুরদা হৌজিক খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিগী কেস অনী শুরে। ইন্দিয়াগী ওইনদি কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস ৩০০০ লোম য়ৌশিল্লকপগা লোয়নননা শিখিবা মীশিং ৭০ হেনখ্রে। মালেম অপূনবগী কেস লাক্ষ ১০ হেনখ্রে, শিখিবা মীশিংনা লিশীং ৫০ হেল্লে। তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা মানা-মানা ঙম্বা থাক্তা অকনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎনরবসু খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা মঙম শানবা ঙমদ্রি। ইন্দিয়াদসু হৌজিক নুমিৎ ২১গী লোকদাউন লাউথোক্তুনা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মায়োক্লনবা মীপূম খুদিংমক য়ূমদগী হেন্দোক্তনা লৈবগা লোয়নননা মীয়াম তিনবা মফমদা চঙলোইদবনি। লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা লোকদাউন তৌদুনা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা থৌরাং লৌখৎপদা মতেং পাংবীয়ু হায়না মীয়ামদা আপিল তৌরদুনা মহাক্লা হায়খি, মমল য়াল্লবা মীওইবগী পুন্সি কন্নবগীদমক তঙাইফদনা মতম খরা য়ূম-য়ূমদগী হেন্দোক্তনা লৈবা মথৌ তাই। ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও), য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র অমসুং মেদিকেল এক্সপার্টশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা পীবা গাইদলাইন পূম্নমক চেকশিন্না ঙাকমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

দিল্লিগী নিজামুদিনদা পাঙথোকখিবা তাবলিঘি জমাটতা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী মীওই ১০গী মনুংদা মীওই ১ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরল্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯গী কেস ২ শুরে। তঙাইফদবা থৌরাং অমা ওইনা অনাবা মীওই অদুগা নক্লরুবা অতৈ মীওই পূম্নমক্কী খোঙ্গুল লীবা হোৎনরি। পোজিটিভ ওইরবা মীওই অদুগী ইমুং-মনুংগী মীওই পূম্নমকসু রিমসকী ক্বারন্টাইন সেন্টরদা থল্লে। কা হেন্না লৌনগনবা লায়না-লাইচৎ অসিদগী মপূং ফানা ঙাকথোক্লবগীদমক কনাগুম্বনা ষ্টেটকী মপান্দা চৎলুবা লৈরবদি মতম চানা পাউ পীবিরকউ হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামদা আপিল তৌখি। অহানবদা মীয়াম্না অদুক হাক্লা থৌশানরমদ্রগসু হৌজিক্তি লায়না-লাইচৎ অসি তরাইনা লৌবা য়ারক্তে। পাউমীদগী হৌরগা ফিল্ম ঈশৈগী শৈশকপী অমসুং অনা-লায়েংগী শিনফমদা থবক তৌরিবা দোক্টর ফাওবা য়াওনা শিনফম খুদিংমক্তা লৈরিবা মীওইশিং কোভিদ-১৯না শোকহল্লক্তবা য়াওদ্রে। দিল্লিদা সী আর পি এফকী সিনিয়র দোক্টর অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকখিবা পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সেসতা এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল (মেদিকেল) গী ওফিসতা চীফ মেদিকেল ওফিসর (সী এম ও) ওইনা থবক তৌবা দোক্টর অদু হৌজিক হরিয়ানাগী ঝাজরদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিটুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) তা লায়েংলি।

চৈরকসিদা, লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা চথরিবা লোকদাউন লোইরবা মতুংদা মীয়াম পূন্না লৌখৎমিন্নগদবা থৌরাংগী থৌশিল অমা শেম্বা মতম ওইরে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখ্রে। ভিদিও কনফরেন্সকী খূত্থাংদা ষ্টেট পূম্নমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিংগা ৱারী শাখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, লোকদাউননা মরম ওইরগা অৱাবা তারবা মীয়াম্না লোকদাউনগী মতম হেক লোইখিবগা হান্নগী পুন্সিদা অমুক হঞ্জিন্নবা অমদি খোঙজেল য়াঙনা মাঙলোমদা চঙশিন্নবা সেন্টর অমদি ষ্টেট পূম্নমক্লা হোৎনমিন্নবা মতম ওইরে। হৌজিকমক্কী ওইনদি মীয়াম্না লোকদাউনবু তরাইনা লৌরোইদবনি। কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লুবা য়ারিবমখৈ মীয়াম্না য়ূম-য়ূমদগী মপান থোকপীদবগা লোয়নননা মীয়াম তিনবা থৌরম অমত্তা পাঙথোকপীগনু হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা কন্দক্ট তৌরগা ভিদিও কনফরেন্সকী খূত্থাংদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ষ্টেট ৯গী চীফ মিনিষ্টরশিং শরুক য়াখি। প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর অমদি অতৈ য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিংসু অচৌবা হোল অমদা খরা খরা লাপথোক্লনা ফমখি। অহানবদা য়ৌরক্কদবা মাল্লুদ্রগসু হৌজিক্তি মণিপুরদা কোভিদ-১৯ গী কেস অনী লৈরে হায়বা পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি।

নোংমা-নীনিসিদা কেস মশীং হেনগৎলকপগা লোয়নননা মী শিবা ফাওবা য়াওরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। খ্বাইদগী লাইবক থীবদি কনাগুম্বা মীওই অমা মপান লৈবাক্তা চৎলুবদগীবু ওইরবসু নৎত্রগা অখন্নবা থৌরম অমা য়াওরুবদগীবু ওইরবসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদা মীয়াম চংদুনা চৈশিনবীবগী মওং অমা উবা ফংলিবসিনি। খন্থহৌদবা নৎত্রগা থৌশারুদবদগী কনাগুম্বনা মপান লৈবাক্তা চৎলুবদা পোজিটিভ ওইরকপা তারবসু অতম্বনা লায়না-লাইচৎ অসি মণিপুরদা পুশিল্লগা মীপূম খুদিংমক্তা শন্দোক্কে হায়না খনবা মীওই অমত্তা লৈরমগদবা মান্দে। মীয়াম্না শাউরিবসি মরম চাদে হায়বমক্তি নত্তে। অদুবু তানফমসিদা অমনা অমদা মরাল শীনবনা করিগুম্বা মখলগী কান্নবা অমত্তা পুরকপা ঙমলোই। থৌওং অসিনা ৱারোইশিন পুরকপদা মখল অমত্তগী মতেং ওইনগদবা নত্তে। হৌজিক্তি অমনা অমদা মরাল শীনবগী মতম হেনখ্রে। মীয়াম পূন্না অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়নননা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। লৈঙাক্লসু, মীয়াম্নসু মশা-মশাগী থৌদাং খঙনা থবক তৌফম থোকই। তুং-মাঙ য়েংলগা য়াম্না চেকশিন্না খোঙ থাংগদবা তানফম অসিদা দ্রগ শীজিন্নরিবা মীওইশিংগী তোখাইবা আইসোলেসন সেন্টর থম্বীদ্রে হায়বা ৱাফম অমা থোরক্লিবসি লাইবক থীবনি। ময়ূম-মকৈ লৈজদ্রবা নৎত্রগা ময়ূমদা হঞ্জিনগনি খঙদ্রবা দ্রগ য়ুজর কয়া পুলিসনা লম্বী-লমহাংদগী ফাগৎলগা তোঙান-তোঙানবা রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংদা থমজিল্লে। হীরম অসিগী মতাংদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন ৮না পুল্লগা শেম্বা কম্যুনিতি রেস্পোন্স ওন কোভিদ-১৯না থাদোরকখিবা চেরোল অমনা হায়, য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী মখাদা হাংদোকপা দ্রগ রিহেবিলিটেসন সেন্টর অয়াম্বা থোঙ লোনখ্রে হায়বা তাই। লম্বী-লমহাংদগী ফাগৎলকপা দ্রগ এদিক্ট কয়া লন্নাই ওইনা চল্লাইরিবা রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা থমজিল্লকপনা হান্নদগী সেন্টরশিং অদুদা লৈরকপা মীয়ামদা রিস্ক মায়োক্লহল্লে হায়রি। হীরম অসিদা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

# চাদ্রগসু নারগসু অমদি

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

ঙসি নোংমা থবক শূরুরগা হায়দি মীগী য়ূম শারুরগা, চেক হোল্লুরগা, পেরুক হেক্তুনা য়োল্লুরগা, পোৎ চৈ খরা থাংলুরগা, কোন ফেঙলুরগা, মনা-মশিং য়োল্লুরগা, অনেকপা থবক অমা য়াওরুরগা ফংলকপা শেল অদুনা চেঙ, থুম, মোরোক, থাউ, অঙাংগী লাইরিক তম্বগী ফী থিনবা অদুগুম্বা মী মশীং অসি মণিপুরদা য়াম্না লৈখ্রে। নোংমত্তং থবক শূবা লেপ্পদা মীনা থীবোঙ পল্লগা চেঙ খরা শোৎহল্লগা চরা হেন্দববুদি য়াই, মদুসু অনীরক শুনা য়াগদৌবা নত্তে। মীওইবনা খ্বাইদগী ইকায়বসি নথীবোঙ-নথীবোঙ হায়দনা পল্লগা মীনা চাক পীজরকপা অসিনি। হোয়, ৱাখল-বুধি চোইরবা, ইকায়বা পোক্ত্রবা মী অমা ওইখ্রগনা ওইখ্রে।



হোয়, থৌদোক-ৱাথোক চৎন-খোৎন খঙবগীদি ঐখোয় লৈরে, অদুবু মদুদি অৱায়বা লীক, অৱায়বা ফি অমা শেৎচিন-ইনশিল্লগা, পাওদর খরা থাজিল্লগা, চন্দোল-চৱা পুংলং লংনা থোরকপদা থোইদোক্লা লুবা অমত্তদি নত্তবজাৎনি। অসিগুম্বা মীনা মশীং য়াল্লবনি। উবিরেদনা দিল্লিগী মাইগ্রেন্ট ৱার্কর ময়াম অদো। অদুগা মণিপুরগী খূৎনা থবক শূবা শিন্মী ময়াম অমদি লৈবাক তৌগে, নূং থুগায়গে, মীগী মফি-মরোল অমোৎপা শূজগে, মীগী ইমুং-মাঙ্গোল, শুমাং ৱাই তৈজগে, শিৎচগে হায়বা ফাওবা ফংদ্রবা মী কয়া অমা লৈরক কোন্সাংদা ফম-ফমদুনা থবক অমত্তা শূনীংঙাই লৈতনা ৱানা-ৱানা লেনবা পুন্সি ময়াম অমসুনি। হায়রিবশিং অসি চাক চাদবদি য়াদে, থক্তবদি য়াদে। শূরবসু শূদ্রবসু চাবা হায়বা অসিমদি থাদোকপা ইয়ামক য়াদ্রি। শূজরিবা খরা অদুমসু শূবা ফংলক্ত্রবা হায়বসি থবক শূদবদা অদুম চিংবা পোৎনি। মখোয়সু য়া কাথোক্লগা খূৎনা করিগুম্বা খরা য়ানুংদুদা ইনশিনদ্রবদি হেক্তা হিংলোইদৌরিবনি। চাদবা হায়বসিদগী ঙসিমক খঙশি শিদ্রবসু তপ্না তপ্না শিরক্কদৌরিবনি, মচল শুবা চিঞ্জাক চাদ্রবদি লায়না অরু-অরুবা অমা পোক্লক্তুনা তাইবঙ পুন্সি হৈগ্রেম লৈক্রেল্লগদৌরিবনি।

অরৈবা কাঙবুনদি মী অমগী লৈতবগী অৱাবা, অৱাৎপা, চাবা ফংদবা, কঙাওনজবা, লৈতাদবা, খোইশাউনবা, পোত্থাফম খঙদবা ময়াম অদুদি কল্পনা শক্তি চিংশিল্লগা অৱাংবা ফাওবিবা ঙম্মোই। প্রধান মন্ত্রি অমনা, চীফ মিনিষ্টর অমনা, গভর্ণর অমনা, এম পি অমনা মী অমগী তশেংনা ৱাবগী নুংদা ওল্লিবা মৈশা অদু ফাওবা ঙম্বা নত্তে। ঐখোয়না অতোপ্পগী মরমদা খঙলিবা, খনবিরিবা অৱাবা অদুদি ৱাখলনা শারগনি। মৈচাক ১০০%গী মনুংদা মৈচাক ৭% গুম্বগী চাংখক্তনি। লৈবাক অমগী মীয়ামগী মীহুৎশিং অসিদি অৱাৎ অপা লৈত্রবা ইনাক খুনবা মী ঙাক্তনিনা মীগী অৱাবা চপ চানা খঙবা ঙম্মোই। লৈবাক্কী মীহুৎশিংগী তোলোপসু চাউই অদুনা মোইনা নোংমগী তাল্লগা চাবা মীশিংগী অৱাবা ফাওবা ঙম্মোই।

ইনাক খুনবা মীনা মী লোইনা ইনাক খুনবা ওইনা উই। চরা হেন্দবা মীনা মী লোইনা চরা হেন্দবোই খল্লি। লাইরিক হৈবা মীনা মী লোইনা লাইরিক ময়েক চৎলবোইনা খল্লি, অতোপ্পা অমগী অৱাবা অতোপ্পা অমনা খঙবা অসি য়াম ওইথোক্তনা লৈরম্মে। ভোৎ লেপ্পীংবা পোলিটিক্স তৌবা কাঙবুনবুদি খরা খরা খঙবীবা শানৈ, মতেং তৌশিন্নৈ, অসিগুম্বা তশেংনা মবুকচেল চাউবা অফবা মীসু শুকলৈমক হেক লৈতবদি নত্তে। অদুবু থিবদা য়াম্না ৱাবা অমনি। মাইক্রোস্কোপকী মতেং য়াওদনা থিবদা ৱাগনি। হৌজিক্তি কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা থবক শূরগা নোংমগী চরা তানজরম্বা মীশিং অসি য়ূমদগী মপান থোকপা য়াখিদ্রে। মখোয় চরা হেনবগী ফীভম লাকই। হোয়, চাদবদি য়াদবনিনা থোক্লবা অমা তৌদুনা চাখিবদি য়াই, অদুবু থোক্লবা হায়বদু করম্মাইনা তৌরগা 'থোক্লবা' হায়বদু ওইরক্কদৌরিবনো হায়বসিনি। হৌজিকসু থোক্লবা হায়বদুবু কদাইদগী লাক্তৌরিবনো?

মতাং অসিদা লৈঙাক্লা মতিক চাবা চেঙ অমত্তা ৱাৎতনা শুনা ফংহনবীনি হায়বগী পাউনিলখোলদি মতাজরে। আলু, ঙারি, থাও, তিলহৌ, থুম, হৱাইসু পীবিবা চুল্লে। থা অহুম্মুক্তং শুমাইনা তৌবদা মাগী কোভিদ-১৯ হায়বা হিংচাবী অসিনা ঐখোয়বু কয়াম কুইনা নৈবা ঙম্নি হায়গে? চাদ্রগা শিদৌরিরা, নারগা শিদৌরিরা হায়ফম খঙলক্ত্রেকো। ●

# মীওইবগী খোঙচত্তা পল্লকপা

**নবকুমার ওইনা**

মালেমসিদা খ্বাইদগী শিংবা মীওইবনা শা ময়ামসিগী নিংথৌনি খঞ্জরিবনি। হোংবা নায়বা মালেমসিদা মদুসু হোংলকপা য়ারিবা অমনি খল্লি। করিসু নত্তে খল্লুবা ভাইরস অমা লাক্লবা ঙমদ্রে। পুনবা-পুনবা হায়গনি, ঙসি ফাওবা পুনবা ঙমদনা লৈরিবসি পূন্না লাম্হেংননবা কোরোনা লায়না ওইনা লাক্লিব্রা খল্লক্লে। ৱারে হায়বসু খঙদবা, লাম্হেংনবসু য়াওদবা চেঙ মুন্নদুনা লৈরিবা ঐখোয়না কোভিদ-১৯ খঙলুবা ঙম্বা নৎত্রি। শাউবু শাউনরি।

ইপু-ইবেন্না খোইজু-লৈখাম মৈ থারম্মী, থবক চৎলুবা হল্লকপদা মৈ ওক্লম্মী, পোলাংখোক্তগী ফি লৌশিনবদসু মৈ ওক্লরম্মী। মসিবু করি খঙবদগী ওইগদৌরিবনো? থবক শূবা, খোংবান তৌবা লাকপশিংবু ইমুংদা পুশিল্লমদে, শঙ্গোয়দা চাক পীজরম্মী। মদুগীদমক ঙসি ফাওবা ৱারৌবা, শাউনীংবা য়াওনরিবনি। অদুবু, ঙসিদি মখোয়সু মীতোপ চঙহন্দ্রে, টোটেল সটদাউন তৌবদা য়াওরে, হেন্নদুম থৌবু ওইনরে। শাউনবদি হন্নদ্রি। কোক্তা ভাইরস চঙবনি হায়গদৌরিব্রা, কোভিদ-১৯ চঙদ্রিবগী খঙবা ৱাৎনরিবনি হায়গদৌরিব্রা? থায়নগী খুনগী পম্থোং থিংবা হায়বদুদি অমুক তৌনরক্লি। লম্বী শেম্বীদবগী থিংলুবদু মীতোপ চঙবীরক্লনু হায়না লম্বী থিংনরক্লে। শাজত্তি ইমান মান্নরে, ৱাখলদি মান্নবা মান্দ্রি। লিংজেল মান্নব্রিবমখৈ ৱাখিগনি হায়বদি ইরায় লায়না হায়নবা ৱানি, লিংজেল মান্নবদি ঙমদে হায়গনি। লম্বীদা লাওনরিবা, কর্ফিয়ু থুগায়বা য়াওনরিবসিনা অদুম খঙনবা পোৎনি।

মহিক চেলহন্দববুদি ফবা, কোরোনাভাইরস হায়বসিনা মীদা লৈবা, হীদাক চায়রিবসিনা লম্বী লমজাও, খোংবান-লুক্লাংদা চায়বা উরিবসি চুম্লিব্রা? কোরোনাভাইরসনা চাবা হিংকুপশিং শিখিবদগী মীদা ওইনা চঙলকপা ওইরম্লবদি কমদৌবা। লৌ উরগা ফৌবোৎ য়াংখৈ-চাম্মা হাপ্পা ইমুংদুদা চেঙ কেজি ১০/২০ পীরিবা, শেল পায়খ্রবা ইমুংদুদা চেঙ লেম্না পীবা য়াওরিবসিনা করি হায়রিবা। নুপী অঙাং খাক্তনা লুপা লিশীং ৫/১০, লাক্ষ দোনেট তৌনরিবসিগা কদায়দনো অমা হোনবসু মাল্লি। কেজি মশীং ৱাৎপগী, থাজনদবগী ঙাঙনরিবা ময়ামসিদা নোবল ওইবগী ৱা য়াওরিব্রা। মরক অসিদা নোভেল কোরোনাভাইরসকী ৱা কাউগে তৌরকই। লায়রবনা চাবা কোন্নদবা, কোবী-হঙ্গাম য়োনবা শিত্তবা, তোলোপ চাবশিংগীনা লেম্না পীবা অচুম্বা অদুম মাল্লিবনি। য়ূমদা লেংদনা লৈবিয়ু হায়রি, মীশিংদুগী চান-থক্লবা ফাওবা য়েনবা চৎকদৌরিবশিংদি লেংদবা য়াদ্রিবনি। লেংদনা লৈরবদি শিবসু য়ারি, নারগা শিবসু শিবা চাদদুনা শিবসু শিবা। লেংদবীদা লৈরদি শিরনি, চথোক্তনা লৈবীয়ু হায়বা ওইরিনি। চথোকপা হৈবা হৈতবা অনী খায়দোক্লি। চথোকপা হৈরবশিংনা চথোক্তবশিংদু অপঙবা ওইনা উব্রা নৎত্রগা থৌদাং লৌবা হৈতবশিংনি হায়রিব্রা অমদি অপঙবা ওইনা লৈরি হায়বা মাল্লি। কোরোনাভাইরস মশক মুন্না খঙবা ঙমদ্রবদি কোভিদ-১৯ নারক্কদৌরি।

মীওইবগী বিল্ডিং ব্লোক ওইরিবা সেলশিংদি হেক হৌবদা সেল ওইনা শেম্লকপা মান্দে, সেলগী মশক ময়াম লৈজরবসু অমনা ওরিজিনেল ওইবগী ৱা তাদ্রি। ভাইরস হায়বসিনা সেলগী প্রোটোটাইপ ওইবা তারবদি নীংগদৌবা লাইসি ভাইরস ওইবা তারক্লি। ইপা-ইপু নীংবা ওইরবদি ভাইরসশিং অসি ঐখোয়গী ইপুধৌ-পুরেল-নাককপা হায়বদু ওইবা তারক্লি। লাই নীংলগা, লাইশোল তৌরগা ভাইরতগী ঙাকথোকপা ঙমগনি খল্লবদি লাইদু লান্না নীংবনি হায়গদৌরিবনি, শিজবা তাবনি। মীওইবগী পুন্সি খোঙচৎপু লান্না পুবনি, ঙসি ফাওবদা মীওইবা খুন্নাইনা চঙশিল্লিবা খোঙচৎ চেকশিনবা ৱাৎলি হায়বগী পাউ কোরোনাভাইরস অসিনা পীবগুম্বনি। মী মরক্তা নোংমৈ কাপ্পরগা হাৎনবদি ঙম্নরগা পঙবদগী খরা শিবা য়াওবদা মীয়াম হুপ্না ৱামিন্নরিবা করিগী ওইফম থোকই। ইপুধৌনা পারাদু তাকপদা কোরোনাভাইরস ওইনা শংশং থোক্লকপনি হায়গদৌরিব্রা? লাইশঙদা ঙাঙনবা চুমদ্রিবমখৈ হন্না-হন্না ৱা থোক্লকখিগনি। হৌজিক্তি অপঙবনা লাই নিংহৌবা তারক্লে। হীদাক চায়বা, অচাপোৎ য়েনবা য়াওগে হায়ব্রা, লাইশঙদা হৈ-লৈ কৎলবা ঙায়গেদুম হায়গেরা খন্থবা য়ারে। পঙবগী লাই লৈবা হৌনদে।

হিংবদি লেপ্পা য়াদে, থবক্তি চপ লেপ্লে, থবক শূদ্রবদি ফেক্টরি কৌবা য়ারিবরা? খুল্লক্তা য়েনবা লাক্লিবা থুম ময়োমশিং অসিগী ফেক্টরিদি থবক লেপ্তেকো। থুম ফংনদবগী ৱাথোক্তু অমুক হন্না লাক্লবদি কমদৌবা। মচিঞ্জাক পীজনবা লৈত্রবা য়েন য়োল্লিবসি মমল তঙ্খায় হন্থরে। মীগী চানবা লৈত্রদি য়েনগী পীজনবা কদায়দগী ফংলনি। হিংবা হৈবা-হৈতবদু মতাং অসিদা খঙলক্লে। মপান্দগী পুশিল্লক্লগা চাবা য়েনগা মীগা কদায়দনো অমা মান্নরি। চেং ময়াম পুশিল্লক্লগা য়ু শুংলগা থক্লরিবনি হায়বা তাখ্রে। হৌজিক্লা চেঙদু য়ু শুংলগা হৈদোক্তুনা শান্নবনি হায়নরে। মচু অমা শংজিনগেরা, মনম অমা হাপচিনগেরা য়ুয়ামদু থম্লম্লবদি হন্দক খূৎ চাম্বদসু কান্নগদৌবনি। চহী লিশীং লাক্ষ হিংদুনা লাক্লিবসি খূৎ চাম্বা হৈরকপা নত্তে, হন্দক্তা খূৎ চাম্বা তম্নরিবসি মী ওইনা হিংলকপগী খোঙচত্তা অচৌবা পারা অমা ওইগদৌরিবনি।

মীওইবগী ব্রেন হায়বসি প্রোটিন অমনা শেম্বনি হায়বসিগা ভাইরস হায়বসিসু প্রোটিন অমনা শেম্বনি হায়বসিগা য়াম্না নক্লরি। প্রোটিন মরক্তা পাউ ফাওনরি, সালভিয়া ব্রাওন কৌবী নুপী অমনা মাগী এন্দ ওফ দি ৱর্ল্ডদা 'কুন-কুন' সি ভাইরস অমা লাক্কনি হায়বসি পল্লি, এন্দ ওফ দেজ কৌই। মাইকেল দি নোষ্টদামস (এষ্ট্রোলোজর) নসু 'কুন-কুন' সি ৱাথোক য়ামগনি হায়রম্মী। লাই নীংবা কাঙবু অমনা মালেমসি লোইরনি হায়নখিবা তাখ্রে। কয়া ফজখ্রবা ৱাখলনো? হান্নগী হিংবগী শাজত্তু লোইরগনি, অনৌবা তাইবঙ শাজৎ অমা হৌরগনি হায়বা ওইরমগনি। থাজবা-থাজদবা নত্তে, খঙবা ৱাৎপনি খল্লি। তম্বা শোয়বসু ওইবা য়ারিবনি।

মীওইবা খুন্নাইগী খোঙচৎ অসি লাই নীংবা মীনা হায়বদু মীয়াম্না তাবা নত্তে, তৌদে। লৈবাক কয়া অমা শেল পায়রবসু খৎনবা, হাৎনবা লান তোকপা নত্তে। মালেমদা মীওইবগী শাজৎ হায়বসিগী ফজবা খঙনা চত্থবা থৌওং ওইদে হায়বনি। অশম্বদা মীওইবগী শাজৎ চুম্নদ্রি হায়বনা চুম্লক্কদৌরি। পুকচেল চাউবা শাদুনা চেঙ খরা, হৱাই-চেঙৱায়-আলু য়েনবসিনা ফজরবা শাজৎ অমা ওইরে হায়বা য়ানদ্রি। মসিদি ত্রেনিং পীবগুম্বনি, ৱাখলগী পরিং তারবনি হায়বা য়াগদৌবা লৈত্রি। ফম্নাইবশিংনা ৱাখল পরিং তাদবগী লৈবাক মরক্তা লৌজনাম-পুজনাম তোকপা নৎত্রি, মশাগী লাইনীং শন্দোকপগুম তৌরিবা কয়াসি তোক্ত্রিবমখৈ ভাইরস মখল কয়া থোক্লকখিগনি খল্লি। ভাইরস অসিগী হৌরকফমগী মীশিংবু লান্না উবা হায়বসিসু ভাইরস মখল অমা ওইরবনি। মখোয়বুসু ক্বারন্টাইন তৌগদৌবনি। মদুগীদমক লো শেমদবা হায়বসি মহিকসি লাকশিন্নবা থৌরাং তৌদে হায়বনি। হান্নগী লোনা য়ারোই, অনৌবা লো ওইগদৌবনি। অনৌবা ভাইরসকী অনৌবা লো শেমগদৌবনি।

লাই অরিবা নীংগে হায়ব্রা, লাই অনৌবা লাৎকে হায়ব্রা? লাই অরিবদুনা ভাইরস অনৌবসি কমদৌনা খঙগদৌরি? অরিবা লাইদুবু ঙম্বা অনৌবা ভাইরস অসি অনৌবা লাই হায়বদুমক ওইরবনি। অনৌবা ভাইরস অসিনা লাইনীং ওইরগা অনৌবা ভেক্সিন পুথোক্লবা হোৎনবা হৌখ্রে। ঐখোয়না লাই অরিবগী ৱারী তৌদুনা লিরুংনা হকপা লৈইদগী হেন্দোক্লনু হায়বগী নিংথৌ শানরি। ঙসি-হয়েং য়েংলগা থবক তৌবদগীদি চক কয়া চত্থগদৌবা থৌরাং তৌহৌবনা মীওইবা খুন্নাইগী খোঙচত্তা অপনবা থোক্লক্তনবা শিনবনি হায়গনি।

লাই ফত্তবগী চাকথাক হুন্নরিবনি, ঙাক্রা বালি কৎনরিবনি, ইরোয় বালি কৎনরম্মীবনি। চবান থানরিবনি, খয়োম লাক্লরিবনি, খোইজু লৈখাম হাইদোক্লরিবনি। ভেক্সিন পুথোক্ত্রিমখৈ ভাইরস অসি নীংজখিবা তারি। মদুনা লাইসিগী চাকথাকনি। চাকথাক হুনবা ঙমদ্রিবা ফাওবদি লাইগী মীংখৈ থাগৎচখিবা তারি। 'জয়-জয়, কোরোনাভাইরসনা য়াইফরে'। লাওজরিবসি কোভিদ-১৯ নাদনবনি। 'হয়ুম-হয়ুম-হয়ুম'। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।